মালেমগী ফুটবোল শান্নবগী অশিন অরাং তৌরিবা ফিফানা শেঞ্জা থুমজা তৌবা

- লৈশাংথেম অজিৎ -

জোসেফ ব্লাট্টর (Josef Blatter) মালেমগী ফুটবোল মশান্নবু অশিল অরাং তৌরিবা লূপ Federation International de Football Association অশন্বীদা FIFA হায়না খঙনরিবা অসিগী প্রসিদেন্ট টর্ম মরিরক হায়বদি কুমজা ১৯৯৮দগী ২০১৫ ফাওবা ওইখিবা মতমদা শেঞ্জা থুমজাগী ৱাথোক কয়ামুক থোকখিদুনা ফেদরেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (এফ বি আই) অমসুং স্বিটজরলেন্দগী থিজিন খোচিন তৌরিবা (ইনভেষ্টিগেসন) কাওবু অমনা ফিফাগী চহীগী মীফম (এন্যুএল কোংগ্রেস) পাঙথোক্কদবগী শেম শাদুনা লৈরিবা জুরিককী হোটেল অমদা থিবা হুন্বগী থবক চথদুনা ফিফাগী ফম অচৌবা পায়রিবা শক্তি লৈবা মীওই তরেৎ ফাখিদুনা আইন্না য়াদবা মওংদা শেল তানবগী মরালদা জেলদা থমখি। মখোয়বু ফাখিবগী মরমদি নমথাক তৌবা, আইন্না য়াদবা মওংদা শেল তানবা অমসুং শেল পুহল্লগা শেন্দোয় চাউনা লৌবা। খা অমেরিকাগী লৈবাকশিংগী ফুটবোল ফেদরেসনশিংগী অপূনবা লূপ্পু CONMEBOL হায়না অশন্বীদা খঙনৈ। অদুগা CONCACAF হায়বা অতোপ্পা লূপ অমা লৈ। মসিনা কেরিবিয়ান সেন্ত্রেল অমেরিকা অমসুং নোদর্ন অমেরিকাগী লৈবাকশিংনা শেন্বনি। CONCACAF কী প্রসিদেন্ট জেফরি ৱেব্ব (Jefferey Webb) কেমেন ঈথৎ (CAMAN ISLAND) গী ফুটবোল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টসু ইনভেষ্টিগেসন অসিগা মরী লৈননা ফাখি। মহাক্কুম্না ফাখিবা অনী অমদি ফিফাগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বর কোষ্টা রিকা (Costa Rica) ফুটবোল এসোসিএসনগী মীহুৎ অমসুং হান্না উরুগ্বে ফুটবোল এসোসিএসনগী অমসুং CONMEBOL গী প্রসিদেন্ট নিকোলাস লেওজনি।

থিজিন খোচিনবগী থবক অদু চহী কয়ামুক চঙখি। হান্না CONCACAF কী প্রসিদেন্ট জেক ৱারনরগী মচা দারায়ীল কৌবা অমা কুমজা ২০১৩গী জুলাই থাদা ফাখি। মথংদা জুরিক্কী হোটেল BAUR-AU-LAC তগী ফিফাগী ওফিসল ৭ ফাখি। মখোয় ফিফাগী ৬৫শুবা কোংগ্রেসতা শরুক য়ানবা শেম শারম্লবনি। কোংগ্রেস অদুদা ফিফাগী প্রসিদেন্ট খনগদবনি। মখোয়না য়ু এস এগী দোল্লর মিলিয়ন ১৫০গী শেঞ্জা থুমজা তৌরম্মী। মসিগী মথক্তা মতম অসিমক্তদা CONCACAF কী হেদ ক্বার্টর 'মিয়ামি' দা থি-হুন্বগী থবক চথরম্মী। তৌইগুম্বসুং মতুং তারকপদদি নুপা অনী অমসু মখোয় মশানা পুলিসতা চঙজরক্তুনা ফাহনখি। মখোয় অদুদি জেক ৱার্নর অমসুং মার্কেটিং এগজিক্যুটিভ অলেজেন্দ্রো বুরজাকোনি। দিসেম্বর ১৫দা অনী অমগা হেন্না অমুক ফাখি। মখোয় ফাখিবগী কেশ অদু ওষ্ট্রেলিয়া, কলম্বিয়া, কোষ্টা রিকা, জর্ম্মনি অমসুং স্বিটজরলেন্দদা অরানবা তৌরম্বা ফিফাগী ওফিসলশিং অদুদা করপসনগী তোঙান্না ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন অমা চথনবা খঙহনখি।

কুমজা ২০১৫দা ফাখিবা অদু শেঞ্জা থুমজা তৌবা, আইন্না য়াদবা মওংদা শেল তানবা, ওইদবা থবক তৌবগীনি। কুমজা ২০১১দা ফিফা প্রসিদেন্টসিএল ইলেক্সন্দা মরু ওইনা মমিং থাদবা স্পোর্টসকী ইক্বিপমেন্ট কম্পেনি - পোৎ য়েন্থোকপা অমসুং মমিং থাদবা (লোৎতুনা লৈবা) শান্নবগী পোৎ য়োনবা কম্পেনি NIKE গুম্বা অমা দোল্লর মিলিয়ন ৪০ শেল ওইনা পীরগা য়ুনিফোর্ম, খোঙউপ, অতৈ দরকার লৈবা পোৎশিং, খূৎশু খূৎলায় ব্রাজিল টিমদা পীবা, কুমজা ২০২০গী দিসেম্বরদা ফেদরেল লো এনফোর্সমেন্টকী এজেন্টনা অমেরিকান্স ফুটবোল এগজিক্যুটিভ অমসুং কোনকাকেফকী ওফিসল চুক ব্লেঞ্জরদা অরোনবশিং হায়দোকখিবগী ঈ পাউ ফংখি। এফ বি আইগী ন্যু য়োর্ক ওফিসনা মসিগী প্রোব তৌবা হৌখি।

এফ বি আইনা ব্লেঞ্জরদা মহাক্কী ইনকম টেক্স রিটর্ন তৌখিদবগী মরমদা হংখি। এফ বি আই অসিনা মহাক্কী ইনকম টেক্স রিটর্ন অদু য়েংশিনবা হৌখি। মহাক্কী মথক্তা এফ বি আইগা আই আর এস- সী আইনা মহাক্কী মথক্তা থিজিনবা হৌখি।

CONCACAF কী প্রসিদেন্ট জেফরি ৱেব সায়মেন আইলেন্দগী ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টসু ইনভেষ্টিগেসন অসিগা মরী লৈননা ফাখি। মহাক্কুম্না ফাখিবা অনীদি ফিফা এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বর কোষ্টা রিকাগী ফুটবোল এসোসিএসনগী মীহুৎ অমদি হান্না উরুগ্বে ফুটবোল এসোসিএসনগী অমসুং CONMEBOL গী প্রসিদেন্ট Nicolas Leoz নি। ইনভেষ্টগেসন অদু চহী কয়ামুক চঙলম্মী। হান্নগী কোনকাকেফকী প্রসিদেন্ট জেক ৱার্করগী মচা Daryil কুমজা ২০১৩গী জুলাই থাদা ফাখি। মে ২৭তা জুরিক্কী হোটেল BAUR-AU-LAC তগী ফিফাগী ওফিসল ৭ ফাখি। মখোয় ফিফাগী ৬৫শুবা কোংগ্রেসতা শরুক য়ানবা শেম শাদুনা লৈরম্বদগী ফাখিবনি। ●

অৱা নুংঙাইনা শেন্বা পুন্সি খোঙচৎতা নীংশিংবগী মথৌদাং

- প্রেম কৈশাম -

শেংদোক্তবগী কুইবগা পোৎচৈ থম্ফম ওইরিবা দোলান মথক্কী কাদু মিরাংসু থাংজিল্লে, মোৎলে হায়দুনা শেংদোক্লবা হোৎনরি, পোৎ চৈশিংদু সুম মথং মথং থাংদোক্তুনা থম্মী, খঙহৌদনা থায়নগী তম্নরম্বা লাইরিকশিং য়াওবা তরং অচৌবদু থেংনরুরে, ঙাইহাক হাংদোক্তুনা য়েংই নুংশি-নুংশিরবা লাইরিক ময়াম অমসু য়াওরম্মী। লাইরিকশিংগী মরক্তা কোলোমনা ইরম্বা খূৎই মচেৎ মচেৎ য়েকশিল্লম্বা লাই ময়ামশিংদু উরুরগা ইশাদা কুইনা ফংলুদ্রবা নুংঙাইবগী মহাউ অমা খঙহৌদনা ফাওরকই। মথং মথং সুম য়েংলম্বদগী অরিবা ফোটো এলবম অমসু থেংনরুরে, হেক হাংদোকপগা পিক্লিঙৈগী নুংশি নুংশিরবা ফোটো ময়াম মথং মথং য়াওরম্বদু উরগা ৱাখলসিদা হরাওবোই নুংঙাইবোই কৈগুম্বা খরা পোল্লকপদগী ঙসিগী ৱারেং অসি সুম ইজখিবনি।

মমা মপা ওইবা অমনা মচা অমদা পীবা য়াবা মগুণ লৈবা খুদোলশিংগী মনুংদা অমা পনবা য়াবদা হায়রগদি অঙাংদুগী পিক্লিঙৈগী মতমগী হৌখ্রবা থৌদোক কয়া অদুবু উহনবীবা/নীংশিংহনবীবা অসিসু অমনি হায়না খঞ্জে। অঙাং অনম্বনা পিক্লিঙৈ মতমদা খ্বাইদগী পামজবশিংগী মনুংদা খুদম ওইনা খরা পল্লবদা - শান্নপোৎ ফজবা, অচাপোৎ অহাওবা চাবা, য়ারিবমখৈ শান্নজবা, মখোয়বু হরাওহনবা, লুনা তৌবীবা অমদি মখোয়গা লোয়নরকপা-হৌমিন্নরকপা লুনা খঞ্জবা জীবশিংদা - হুই, হৌদোং খরা অসিনি। অদুগা চাওরল্লবা ৱাখল তারল্লবা মতমদা অপাম্বা ময়ামসি খজিক খজিক নাথৈরক্তুনা তপ্না তপ্না অহোংবসু লাকই। পিক্লিঙৈদা অঙাং অদুনা য়াম্না পামজরম্বা পোৎশক অদু চাওরল্লবা মতমদা মফম চানা থম্বীহৌদবা নৎত্রগা কায়বা তেকপা মাঙখিবনচিংবা মরমনা অনম্বা লৈগন্দে অদুবু করিগুম্বা ফোটোনচিংবা কাপ্পীদুনা থম্বীহৌরবদি অঙাংদুনা চাওরল্লবা মতমদা মঙোন্দা পিক্লিঙৈ মতমদুগী থৌদোক কয়াদু খরদা ওইরবসু নীংশিংহন্দুনা পূক্লিংদা নুংঙাইবা নুংশিবা অমা পোকহল্লি, মসি অঙাং অমগী ৱাখলদু অফবা লম্বীদা লমজিংবীদুনা মী ওইবগী মরক্তা মীনুংশি পোকহনবগী অমদি মতেং পাংনীংনবগী মচাক অমসু ওইহল্লি।

মীওইবা অমগী পুন্সিদা পিক্লিঙৈদগী চাউরল্লবা ফাওবদা নুংশি নুংশিরবা থৌদোক কয়া অমা মী খুদিংমক্তা থোকই, লৈজৈ অমদি কনা অমত্তগা মান্নদে। ইংলিসতা হায়রগনা 'Everyone has a unique own story' । অদুনা নুংশি নুংশিরবা মীকূপ কয়াদু পিক্লিঙৈদগী হৌনা মমা-মপা ওইবশিংনা থমজিনবীহৌরগদি হয়েং মচা ওইবা অদুনা চাওরল্লবা, ৱাখল তারল্লবা মতমদা য়েংহনবদা মচাশিংনসু মশাদা য়াম্না নুংঙাইজবা মহাও অমদি শোয়দনা পীগনি খল্লি। মসিদগী ফংগদৌরিবা মহাও অসি শেলনা লৈগেসু ফংলোইদবা, অদুগী মথক্তসু অমুক হঙৎতুনা ঐনা শেম্মুগেসু য়াররোইদবা য়াম্না মগুন লৈবা পুন্সিগী পোৎশক অমনি। মতাংসিদা ৱাখলদা ফাওরকপা, মতৌ কমদৌনা মাসি চাওরকপা অমা শেমদুনা থমহৌগনি হায়বদু খরা মখৈ সুম খুদম ওইনা পঞ্জনীংই। অদুবু সিমক শুম্মাইনা শেমগদবনি হায়বদি লৈতে। মসি মী অমনা মানা পামজবা, শেমনীংবা মওংদা অদুম শেল্লবসু য়াই।

ফোটো এলবম অমদা নৎত্রগা চুম্নগী মখুম খরা থাবা নোটবুক্কুম্বা অমদা শেন্বীদা অদুম য়াই। অঙাং অদুনা হেক পোকপদগী অদুম হৌবীরবসু য়ারে। লোয়ননা তারিখ, দিটেলসসু ফোটো খুদিংগী হাপ্পীরদি হেন্না ফজগনি।

১) হেক পোকপগী ফোটোগা লোয়ননা পোকপগী তারিখ, পুংফম, মফম, হোস্পিটাল মমিং, অঙাংগী অরূম্বা, চাওরাকপা অৱাংবসু পনবীবা য়াই।

২) মথংদা মৈতৈ ঐখোয়গী চৎনবীদা চাকউম্বা, ইপান থাবনচিংবা থৌরমশিংদুগী।

৩) হৌজিক্কানদি বর্থদেসু অনম্বা পাঙথোক্লরে অদুনা চহীগী বর্থদে খুদিংগী কেক, গিফ্ট অমদি নুমিত্তুদা শরুক য়ারিবা ময়ামশিংদুগা লোয়ননা, অহল ওইরবা মবোক-মপুশিংদু ময়েক শেংনা উহনবীবা।

৪) স্কুল অহানবা চৎপগী, স্কুলগী স্পোর্টস অমদি কলচরেল মীটশিংদা শরুক য়াবনচিংবশিংগী, পিক্লিঙৈদা য়ারিবমখৈ অঙাংশিং শরুক য়াহনবীয়ু মসিনা তুংদা কান্নবা য়াম্না লাক্কনি।

৫) এক্সিদেন্ট হায়বসি তম্বদি ঙমদে, থোক্তবনদি হেন্না ফৈ অদুবু অঙাং অমা ওইবদগী ৱাখল লাকপা ফাওবদা খরমখৈদি শোয়দনা অদুম থোকপা হৌনশানি, খুদম খরা পল্লবদা - খূৎ তেকপা, খোঙ তেকপা, শোক্তুনা ঈ য়াম থোকপা ... অসিগুম্বশিংসিসু দিটেলসকা লোয়ননা ফোটোদা চনহনবীবা য়াই।

অসুম্না অঙাং অদুনা মশাগী মপূং ফাবা ৱাখল লাক্ক্রিফাও হায়বদি মশানা শেমজবা ঙমদ্রি ফাওবদি মমা মপা ওইবশিংনা শেন্বীদুনা থমজিনবীবা য়াই। হায়রিবা অসি শেন্বদা মতম য়াম্না চঙগদবা/মাঙগদবা নত্তে। চহী অমদা য়াল্লবদা থা ৪/৫গুম্বতনি। মসি অঙাং অদুনা চাওরল্লবা, মপূং ফানা ৱাখল তারল্লবা মতমদা মদু হাংদোক্তুনা য়েংহনবা মতমদা মদুগী ভেল্যু অদু শোয়দনা খঙগনি নীংই। হৌজিক মতমসিদি অনম্বনা ফোন্দা ফোটো ওইনা মেমোরি থমনৈ অদুবু ফোন্দা য়াওবদু তম্বা ঙমদে, তাহৌবা য়াই নৎত্রগা চাকখিবসু য়াই। ফোন অমনা য়াল্লবদা চহী ১০ ফানা শীজিন্নবা ঙমগনি থাজদে। অদুনা য়ারিমখৈ ফোটো ওইনা শিন্দোকপীদুনা থম্বীহৌবনা হেন্না কান্নগনি খল্লি। হয়েং কোন্না অঙাং অদুনা অসুম চাওরল্লবা মতমদা শেমনীংই হায়দনা শেল্লুবা য়াবা নত্তে, শেল কয়ানো পীদুনা লৈগে হায়রবসু য়ারোই। হৌখ্রবা মতমবু শেলগা ওন্নবা কৈদৌঙৈদসু য়াবা হৌনদে। অদুনা মতম মানা অসুম হৌখিদুনা চৎখ্রবসু মীওইবা ঐখোয়দা হৌখ্রবা থৌদোক ময়াম অদুবুদি নীংশিংহৌদুনা লৈহৌরি। থৌদোকশিং অদুবু নীংশিংদুনা শাগোন্নদুনা চৎপা ঙম্বগী ঐখোয়না মদুবু নীংশিং নীংশিংদুনা ঙসি মোমোন নোক্লা হিংবা ঙল্লিবনি। পূম্নমকসিনা মরম ওইদুনা হিংবদা ইনোৎ অমসু হাপ্লিবনি।

মীওইবা অমনা অহল ওইশিল্লক্তুনা শোনজিল্লল্লবা মতম অদুদা করিগুম্বা কান্দা শোয়দনা ৱাখলদা খরমখৈদি পোল্লমগনি মদুদি, মানা হান্নগী পুন্সিদা হল্লক্তুনা অমুক্তংগা নহা ওইবা ফংজরবদিকো হায়দুনা মঙোন্দা থেংনখিবা পেনখিদবা, পাঙথোকহৌদবা, ফংহৌদবা থৌদোক ময়ামদু অমুক হন্না শেমদোক্লীংবা, হোৎননীংবগী অপাম্বা অমা পোকফম থোকপা হৌনশানি। য়াম্না চম্না লেল্লকপা মীওই অমনসু অহল ওইরল্লবা মতমদদি মাসু নীংঙমদবা খরদি শোয়দনা পোল্লকফম থোকই। পুন্সি হায়বসি অমুক্তংনি, হিংলিঙৈদা খরসু নুংঙাইবা মখল মথেল শরুক য়াহৌগদবনি। সী হায় হায়দুনা য়াম্না নুংঙাইথোকমল্লবসু পুন্সিগী মহাওদি শোয়দনা মাঙখিগনি। খুদম ওইনা, থুম ৱাৎলবসু এঞ্জাং হাওতে, থুম য়াল্লবসু চাবা য়াদে। পুন্সিসু সিমকনি থুমগা চপ মান্নে। অদুবু অৱাবনা নম্না চৎলিবা পুন্সি অদুদা নুংঙাইবা মচেৎ অদুবুদি মগুন অসুক্কী মতিক ৱাংফম থোকই। কা হেন্না নুংঙাইমল্লবসু ফংলিবা মহাও মগুন অদুদি ময়েং তাফম থোক্তব্রা? খুদম ওইনা পল্লবদা, থবক ৱানা শূরুবা মীওই অমনা তূম্বা মতমদা ফাওরিবা, ফংলিবা নুংঙাইবা অদুগা করিসু শূদনা লেল্লিবা মীওই অমনা তূম্বদা ফংলিবা নুংঙাইবগা অনীসিগী মহাও কৈদৌনুংদসু মান্নবা হৌনদে।

অরোইবদা, মতাংসিগা খিত্তং মরী লৈনবা ৱাৎলবসু, অৱা-নুংঙাইগী মনুংদা য়েংলগা পাবিরিবশিংদা ৱাহং অমত্তা হংজনীংই, মদুদি "করিগুম্বা লৈকায়গী নৎত্রগা ক্লব অমগী থৌদোকনচিংবা মতেং পাংবগী থৌরম অমদা, রিক্সো থৌরগা ৱানা তানজদুনা চাজবা মীওই অমনা মঙোন্দা লুপা ৫০০ লৈজবদা লুপা ২০০ কৎলকপদুগা কনাগুম্বা তোলোপ চাদুনা লৈবা মী অমনা মখূৎতা লুপা লিশীং ৫০ লৈরবদা লিশীং ৩ কৎলকপদুগা কনানা হেন্না লূম্না লৌফম থোকই খনবীবগে?" অসুম্না অৱা-নুংঙাইনা শেন্বা পুন্সিদা, মাগী মগুণসু মসিগা চপ মান্নে হায়না থমজনীংই। ●

ষ্টেটকী পাউ

দিষ্টর্বেন্স ফ্রী এদ্যুকেসন জোন দিমান্দ ডে পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচএনএস):

কুমজা ২০০৮দা দেসাম অমদি ৱাখল্লোন মান্নবা লুপশিংগা পুল্লগা লমদম অসিদা মহৈ-মশিন তম্নদা মখল অমত্তগী য়ৈখায় থিনগায়বা পীবিগনু হায়না জুলাই ৫দা মহৈরোয়শিং, ওজাশিং, পেরেন্টশিং, সী এস ওশিং, মীওই লাখ কয়ানা শরুক য়াদুনা মীয়াম হুপ্না চৎখিবা অচৌবা রেল্লি অদুবু নীংশিংদুনা জুলাই ৫বু দিষ্টর্বেন্স ফ্রী এদ্যুকেসনল জোন দিমান্দ ডে হায়না চহী খুদিংগী থৌমীশিংনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়না দেসামনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিদা, চৎলিবা চহী ২০২১গীসু অমক্তা, এ এম আর পি এস দব্লিয়ু এ, এ এম এস জি ও, অমেষ্টা, এ এম এস এস টি এ, সী এ এস এ, সীঈএসঈম, এম জি ঐচএস এল দব্লিয়ু এ, পি এস দি সী, য়ু এ আর এস ও এম, এ আই এম এস অমদি দেসামনা পুল্লগা শেম্বা কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন দিষ্টর্বেন্স ফ্রী এদ্যুকেশনেল জোন দিমান্দনা শীন্দুনা 'ইম্পেক্ট ওফ কোভিদ-১৯ ওন এদ্যুকেসন এন্দ চেলেঞ্জেস ইন টিচিং লার্নিং প্রোসেস' (কোভিদ লাইচৎতা মহৈ-মশিন তম্নদা থেংনরিবা শিংনবশিং) হায়বা থীমদা ১৪শুবা দিষ্টর্বেন্স ফ্রী এদ্যুকেসনল জোন দিমান্দ ডে ২০২১ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

থৌরমগী শরুক ওইনা থীম অসিদা ষ্টেট লেভেল ওপন পেন্টিং কম্পিটিসনসু পাঙথোক্লগনি। শরুক য়াবীনিংবশিংনা অয়েকপা লাই অদু জুলাইগী ৪ ফাওবগী মনুংদা ঈমেল desamofficial02@gmail.com নৎত্রগা ৱাটচএপ নম্বর ৭০০৫০৫৫৩৭৮/৮৪১৫০৪৬৩৫৩ দা থাবীরক্কদবনি হেন্না অকূপ্পা মরোলগীদমক ৭০০৫০৫৫৩৭৮/৮৪১৫০৪৬৩৫৩ পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়রি।

ভোলুন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস):

ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা ব্লদ ট্রান্সফ্যুজন দিপার্টমেন্ট জেনিমসকা খূৎশম্নরগা ৱর্ল্ড ব্লদ দোনর্স ডে সেলেব্রেসন মখা চথরকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি জেনিমসতা ভোলুন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা রেদ ক্রোসকী অপূনবা ভোলুন্টিয়র ৯না মশাগী ঈ কৎখি। থৌরম অদুদা আই আর সী এস ইম্ফাল ইষ্টকী চ্যেরমেন নরেন্দ্র নিঙোম্বনা পেন্দমিক অমদি লোকদাওন মনুংসিদা অনাবশিংনা ঈগী মথৌ তারকপদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অসিনা মরম ওইরগা অরুবা অনাবা কয়াগা শাগোন্নদুনা হিংবা অমদি শিবা অনীগী মুক্লবদা মীওইবা কয়াগী পুন্সিবু কন্নবা অসিগুম্বা ঈ কৎপগী থৌরম অসি শীনবনি। ঈ কৎপনা ৱাখল নুংঙাইহনবদা নত্তনা মথৌ তারকপা মতমদা তাঙলবা মীওই কয়াগী পুন্সিবু কনবা ঙমগদবনি। মরম অদুনা মীয়াম্নসু চিংনবা লৈতনা ঈ কৎপীয়ু। ঐখোয় খুদিং মীওইবগী পুন্সি কনবদা চাউথোকপা ফাওমিন্নসি, লোয়ননা মীওইবগী থৱায়বুসু কনমিন্নসি হায়বা ৱারোল থমখি।

অমরোমদা, আই আর সী এস ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা ৱাংখৈদা পেরেদাইস ক্লবকী কেম্পসতা মন্ত্রিপুখ্রি, মিনুথোং অমদি সঙ্গাইপাৎকী প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরশিংদা থবক তৌরিবা আশা ৱর্কর ৩৫দা টাইৱানদা ইমুং খুল্লিংদুনা লৈরিবা অমদি মহৈ তল্লিবা রিছর্চ স্কোলারশিংনা থারকপা ফেশ মাস্ক লোয়ননা হেন্দ সেনিটাইজরশিং য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা রেদ ক্রোসকী থবক থৌরমগী মতাংদা ৱাফমশিং থম্ললম্বগা লোয়ননা আশা ৱর্করশিংনা কথোকপা অমগা লোয়ননা মীয়াম্নসু থবক তৌবদা চোকথবা লৈবীগনু হায়না পূক্লিং থৌগৎপা ৱারোলশিংসু থমখি।

থৌরমশিং অসিগা লোয়ননা বাসিখোং কোংবা ইরোংদা য়ূম অমা তূম্না মৈনা চাকখিবা অদুদা চত্তুনা অৱাবা তারবা ইমুংগী মীওইদা রোদ ক্রোসকী মায়কৈদগী কিটচন সেট, কাংখল ৩, ৱাটর জার কেন ১, ব্লাঙ্কেটনচিংবা মতেং পাংখি।

ইরেংবম চঙবগী লম্বী শেমজিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচএনএস):

বি জে পি কিষান মোর্চাগী নেসনল সেক্রেটরিসু ওইরিবা ওইনাম এ সীগী মনুং চনবা ইরেংবম অৱাং লৈকায়দগী সোসল ৱর্কর কেঐচ জিবোননা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্লা চহী ৭ মপূং ফানা পাল্লকপা নীংশিং থৌরম সেৱা হি সঙ্গথনগী শরুক অমা ওইনা মহাক্কী মায়কৈদগী টাটা টিপ্পর ১ অমসুং ট্রেক্টর ১, অচঙবা শেনফম খূদিংমক পুথোক্তুনা নুংচাক চিংদুনা, টিদ্দিম লম্বীদগী ইরেংবম চঙবগী মরু ওইবা লম্বী ওইরিবা কিলোমিটর ৫ শাংবা লম্বী পোট হোল মেন্দুনা ঙসি লম্বী শেমজিনখ্রে।

ইরেংবমদা লৈবা বি জে পিগী কারিয়ার্কতাশিং, ওটো এসোসিএসনগী মীহুৎশিং, ইরেংবম খুঞ্জাশিংসু থোরক্তুনা লম্বী শেম্বা, পোট হোলশিং মেনশিনবা অমদি লেভেলিং শেম্বগী থবক পাঙথোকখ্রে।

ইরেংবমগী খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোকখিবদা, লম্বী অসি নত্তনা টিদ্দিম লম্বীদগী ইরেংবম চৎনবা অতৈ লম্বী লৈতে। অদুবু লম্বী অসি য়াম্না ফত্তবা, কোংকুৎ ঙাক্তা ঙাইবনা গাড়ী তোংদুনা চৎপদা খুদোংথিবা কয়া মায়োক্লরি।

মরুওইনা, নোংজু থাগী মতমদা নাবদগী অমদি ঈশিং তুংবা মফম কয়া লৈবনা এক্সিদেন্ট থোকপা মশিং হেল্লকপা গাড়ী শোক্লকপা, অনা-অয়েক, অহল ওইরবশিংনা গাড়ী তোংদুনা চৎপদা হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবা মায়োক্লরি। ঙসি কেঐচ জিবোননা অচংবা শেল, গাড়ী পুথোকপীদুনা লম্বী শেন্বীবা অসিগীদমক থাগৎলক্লি।

কেঐচ জিবোননা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০১৬তা পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা শেমখ্রবা লম্বী অসি ঙসি ফাওবা মখা তানা শেমজিনদ্রি। অদুবু মীয়ামগী খুদোংচাদবশিং অসি য়েংলগা মহাক্লা অঙম্বা মতেং পাংবগা লোয়ননা মীয়ামগা খূৎশম্নরগা লম্বী অসি শেম্বনি হায়খি।

শুমাঙ লীলা 'কৈদৌবৈ কিদোইনো' গী ফুল রিহার্সেল উৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা মীয়ামদা পীরিবা চৈথেং অমদি মীপাইবা পোকহল্লিবা কয়া অসিবু কোক্লবগীদমক চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী পাউতাক মতুং ইন্না দি আই পি আরনা পুথোকপা অখন্নবা 'কৈদৌবৈ কিনোইনো' হায়না মিংথোনবা রঞ্জিৎ নিংথৌজানাইবা অমদি সঙ্গিত নাতক একাদেমি এৱার্দী সৌগ্রাকপম হেমন্তনা লমজিং লমতাক্লিবা পব্লিক এৱ্যেরনেস প্লে উৎনবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেনদা আই পি আরগী দিরেক্টর ঐচ বালকৃষ্ণননা শরুক য়াদুনা ফুল রিহার্সেল উৎখ্রে।

আই পি আরগী দিরেক্টর ঐচ বালকৃষ্ণনা হায়খিবদা ময়াম্না কোভিদ-১৯গী মতাংদা কিনরিবা অমদি চমম্নবা পোকহল্লিবা কয়া অসিবু কোক্লবগীদমক শুমাঙ লীলাগী খূত্থাংদা ময়ামদা উহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্লা পুথোকচদুনা লাক্লিবা জুলাই ৫দা টি ভি চেন্নেলশিংগী খূত্থাংদা মীয়ামদা উৎচরগনি হায়রি।

মীপূম খূদিংমক্লা পূক্লিং ফাথবীদুনা লায়না লাইচৎ অসিবু মায়থিবা পীমিন্নসি হায়খি। লীলা অসিগী অইবা রঞ্জিৎ নিংথৌজানা ঐখোয়না মণিপুর লৈঙাক্লা লাউথোক্লিবা চৎন-কাঙলোনশিং অসি চপ চানা ঙাকমিন্নরবদি ইশা ইশাগী ইথৌদা হঞ্জিনবা কৈদৌবগী য়ারোইদৌরিবনো হায়বদা য়ূম্ফম ওইরগা ইবনি হায়খি।

লীলা অসিবু লমজিং লমতাক্লিবা শুমাঙ লীলাগী অমখক্তা ঙাইরবা সঙ্গিত নাতক একাদেমি এৱার্দী সৌগ্রাকপম হেমন্তনা অসিগুম্বা লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিবু ঙাকথোকমিন্ননবা হোৎনরিবসিদা শুমাঙ লীলারোইশিংনা অচৌবা শরুক য়াবগা লোয়ননা শুমাঙ লীলাগী মেদিয়মদা মীয়ামদা উৎচগদবনি হায়খি।

লীলা অসিগী প্রদক্সন কো-ওর্দিনেটরসু ওইরিবা শিভদত্ত লুৱাংনা মণিপুর লৈঙাকপু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা কোভিদ-১৯ অসিবু ঐখোয় খূদিংমক্লা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা লায়না অসিবু থেংনমিন্নসি হায়খি। লীলা অসিদা সৌগ্রাকপম হেমন্ত, দেচ মৈতৈ, এল তোম্বা মৈতৈ, য়ূম্নাম নিলচন্দ্র, অথোকপম সন্তোশ, দয়ানন্দ লৈশাংথেম, থোঙাম হেরামোতি, লংথবাল রোবিন্দ্রো অমদি দিপসন পান্দুমনা মরুওইনা শরুক য়ারি হায়না প্রদক্সন ইন-চার্জ ওইরিবা ৱাই নিলচন্দ্রনা প্রেসতা থোকপা চেরোল অসিনা হায়রি।

'মীয়াম ভেক্সিনেসনগী মতাংদা মপূং ফানা ৱাখল তাহনবা মথৌ তাই'

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচএনএস):

মাস ভেক্সিনেসন মপূং ফাহন্নবগীদমক মীয়াম্বু ভেক্সিনেসনগী মতাংদা মপূং ফানা ৱাখল তাহনবা মথৌ তাই হায়না কৈরাও বিত্রা সব-দিভিজনগী এস দি ও অঙোম শিজ লেন্বীনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দি সীগী মীৎয়েং মখাদা এস দি ও কৈরাও বিত্রা সব-দিভিজননা লুচিংদুনা সী এম ও ইম্ফাল ইষ্ট, এস দি সী তুলিহল, এস দি সী কৈরাও, জেদ পি টোপ চিংথা, জেদ পি কৈরাও মতিং, পঞ্চায়ত সেক্রেটরি অমদি লৈকায়গী ক্লবশিংগা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা মাস ভেক্সিনেসনগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

সব-দিভিজন অসিগী মখাদা লৈবা কৈরাও এ সী অমদি অন্দ্রো এ সীগী ওইনা টোপ চিংথা জেদ পিগী মনুং চন্না পোইরৌথোংবা অমদি কৈরাও মতিং জেদ পিগী মনুং চন্না কৈরাও মতিংদা পাঙথোকখিবা মাস ভেক্সিনেসন অসিগী মতাংদা ৱা ঙাঙলদুনা কৈরাও বিত্রা সব-দিভিজনগী এস দি ও অঙোম শিজ লেন্বীনা, লমদম অসিগী মীয়াম্না ভেক্সিন কাপ্পদা চিংনবা লৈরিবা অসি কোক্লবা এৱ্যেরনেস তৌবা মথৌ তাই। হেল্থ ৱর্করশিংনা অহিং নুংথিল নাইদনা মীয়ামগীদমক কথোকপা অমগা লোয়ননা হোৎনরিবা অসি মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্তনি।

লাইচৎ অসিদগী ঙাথোক্কে হায়রবদি ভেক্সিন কাপ্পা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ অমা লৈতে। ইশা-ইশা চেকশিনবা অমদি ভেক্সিন কাপ্লবা মতমদতা লাইচৎ অসিদগী মপূং ফানা ঙাকথোকপা ঙমগনি। ঙসি ভেক্সিনেসন তৌরিবা মফমশিং অসিগী মীয়াম্না অরানবা ৱাফম কয়াদা থাজদুনা ভেক্সিন কাপ্পা কিনরম্বা অদু মরী লৈনবা জেদ পিশিংগী খূত্থাংদা মায়কৈ অসোমগী লুচিংবশিংগা তানদুনা মীয়াম্না ভেক্সিন কাপ্পনা পীরিবা কান্নবশিং মপূং ফানা খঙহনবদগী টার্গেট থল্লম্বা চাংদগী হেন্না ভেক্সিন কাপখি। লোয়ননা লাইচৎ অসি ঙাকথোক্লবা লৈঙাক্লা মতম মতমগী ওইনা পীবা চৎন-কাঙলোনশিং ঐখোয় পূন্না ঙাক্লা চত্তুনা লাইচৎ অসি মরূ ফংনা মুথৎলসি হায়না মীয়ামদা আপীল তৌখি।

মেঞ্জোর মঙাংনা খাঙবোক সোরোক ৱাংমদগী হয়েলবুক ৱাংবল তাবা লম্বী শেমজিনবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস):

মতম কুইনদগী ফিভম ফত্তদুনা লাল্লবা খাঙবোক্কী তোঙান তোঙানবা লম্বীশিং পি দব্লিয়ু দি ওফিসলশিং অমদি খুন্দ্রাকপম মেঞ্জোর মঙাং, ষ্টেট ইগজেক্যুটিভ মেম্বর বি জে পি মণিপুর প্রদেশ অমদি ঈ ও ৱাই ও কে খাঙবোককী থৌমীশিংগা পূন্না য়েংশিনমিন্নখ্রবা মতুং ঙসিসু মেঞ্জোর মঙাংনা খাঙবোক গ্রাম পঞ্চায়তকী প্রধাণগী নোমীনি নিংথৌজম লাকপা সিংহ অমদি সভেন ষ্টার য়ুথ ক্লব (এস ৱাই সী) খাঙবোক সোরোক ৱাংমগী থৌমীশিংগা লোয়ননা খাঙবোক মমাঙ বজারদগী হয়েলবুক অমদি ৱাংবল তাবা লম্বী অসি শেন্বা হৌখ্রে।

লম্বী শেন্বসিগা মরী লৈননা মেঞ্জোর মঙাংনা ফোঙদোরকপদা নোংজু থাগী মতমদা হায়রিবা হয়েলবুক তাবা লম্বী অসি য়াওনা খুঞ্জাশিংনা চথোক-চৎশিন তৌবা মতমদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনরিবা অসি কোক্লবা হায়দুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমদি ৱর্ক্স মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎ অনীদা ঈ ও ৱাই ও কে খাঙবোককী থৌমীশিংগা লোয়ননা লম্বীশিং অসি শেমজিনবীনবা হায়জরুবদগী নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা পি দব্লিয়ু দিগী ওফিসল থাবীরক্তুনা ফৎত্রিবা লম্বীশিং পূন্না য়েংশিনমিন্নখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা শেম্বা হৌনবা থাজবা পীবিরম্বগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা, নোংজু থাগী মতম অসিদা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা অসি খরদং ওইরবসু শাফনবা শেন্বীয়ু হায়না সভেন ষ্টার য়ুথ ক্লব, খাঙবোক সোরোক ৱাংমনা মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা হায়রকপদগী মহাক্লা লম্বী অসি ঙসিদগী শেন্বা হৌখিবনি হায়খি। লোয়ননা প্রজাগী খুদোংচাদবা কয়া উবীদুনা হেক হায়জরুবগা মীয়ামগী লম্বী অসি শেন্বীরকপদগীদমক এস ৱাই সী ক্লব খাঙবোক সোরোক ৱাংমগী সেক্রেটরি রামেশ্বরগী মায়কৈদগী মেঞ্জোর মঙাংবু মীয়ামগী মহুৎ শিল্লগা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।